ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ ꯁ꯭ꯄꯣꯔꯇꯁ

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস

Monday, March 01, 2021, Imphal





সিঙ্গাপোর ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা কাজাখস্টানগী শান্নরোয় অলেকজেন্দর বুব্লিকপু সেট ২-১দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রবা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোয় এলেক্সি পোপিরিন

য়ু এস এগী মিয়ামিদা লৈবা হার্দ রোক ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা দব্লিয়ু বি সী, দব্লিয়ু বি এ সুপর মেদল ৱেট বোক্সিংগী টাইটল বাউটতা ঙরাং টর্কিগী অবনি য়িলদিরিমবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মেক্সিকোগী সাউল অলভারেজ



## এ টি কে মোহন বগান মুম্বাই সিটিগী মখূৎতা ০-২দা মায়থীখ্রে, এফ সী গোৱা দ্রো চৎলবসু সেমীফাইনেল চঙখ্রে



এ টি কে মোহন বগানগী মায়কৈদা মুম্বাই সিটি এফ সীগী শান্নরোয়না ফ্রী কিক অমা কাওশিনখিবা

বম্বোলিম, ফেব্রুৱারী ২৮(এজেন্সী): ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি অরোইবা লীগ মেটচ অনী শান্নবদা মমাংগী চেম্পিয়ন এ টি কে মোহন বগান মুম্বাই সিটি এফ সীগী মখূৎতা ০-২দা মায়থীবা নংখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা এফ সী গোৱা হায়দরবাদ এফ সীগা দ্রো চৎলবসু সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

বম্বোলিমদা জি এম ষ্টেদিয়মদা এ টি কে মোহন বগান অমসুং মুম্বাই সিটি এফ সী লম্বা তৌনখি। নীংশিংবা য়াবদি, টিম অনীমক মাংজৌননা ইন্দিয়ন সুপর লীগ অসিগী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবনি। এ টি কে মোহন বগাননা পোইন্ট ৪০ ফংলগা মাঙজিল থারম্বনি। অমরোমদা মুম্বাই সিটি এফ সী পোইন্ট ৩৭ ফংলগা অনীশুবদা লৈখি।

মেটচ অদুগী হৌরকপা শুপ্নগী ৭শুবা মিনটতা মুম্বাই সিটি এফ সীনা চথুরকপা এটেক অমদা ফ্রী কিক অমা ফংখি। ফ্রী কিক অদু অহমদ জাহোনা কাওরকখিবদা শেম শাদুনা লৈখিবা টিমমেট মোর্টাদানা হেদ তৌশিন্দুনা অহানবা পাঞ্জল অদু ওইখি।

সেমীফাইনেল য়ৌরবসু লীগ অসিগী চেম্পিয়ন ওইনবগীদমক টিম অনীমক অকনবা লম্বা তৌনখিবনি। শান্নবগী মখা চথুরকপা পুংখায় অমা লৈরবা মতুং মুম্বাই সিটি এফ সীগী মখা তারকপা এটেক অমদা অমুক হন্না ফংখিবা ফ্রী কিক অমগী মতেংদা ফ্রান্স মচা বার্থোলোমিয়ু ওকবেচেনা টিমমেট সান্তানানা কাওশিনখিবা পোষ্টতা পাল্লগা থক্তোরকখিবা বোল অদু হেদ তৌশিল্লগা চনখি। হায়দরবাদ অমসুং গোৱাগী মেটচ অদু হায়দরবাদনা থোইরম্লবদি মখোয় সেমীফাইনেল য়ৌগদবনি। অদুবু দ্রো চৎপদগী গোৱা ওইনা সেমীফাইনেল চঙখিবনি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mumbai City FC | 20 | 12 | 4 | 4 | 35 | 18 | 17 | 40 |
| 2 | ATK Mohun Bagan FC | 20 | 12 | 4 | 4 | 28 | 15 | 13 | 40 |
| 3 | Northeast United FC | 20 | 8 | 9 | 3 | 31 | 25 | 6 | 33 |
| 4 | FC Goa | 20 | 7 | 10 | 3 | 31 | 23 | 8 | 31 |
| 5 | Hyderabad FC | 20 | 6 | 11 | 3 | 27 | 19 | 8 | 29 |
| 6 | Jamshedpur | 20 | 7 | 6 | 7 | 21 | 22 | -1 | 27 |
| 7 | Bengaluru FC | 20 | 5 | 7 | 8 | 26 | 28 | -2 | 22 |
| 8 | Chennaiyin FC | 20 | 3 | 11 | 6 | 17 | 23 | -6 | 20 |
| 9 | East Bengal Club | 20 | 3 | 8 | 9 | 22 | 33 | -11 | 17 |
| 10 | Kerala Blasters FC | 20 | 3 | 8 | 9 | 23 | 36 | -13 | 17 |
| 11 | Odisha FC | 20 | 2 | 6 | 12 | 25 | 44 | -19 | 12 |

## ভিনেশ ফোগটনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মায়থীবা পীদুনা য়ুক্রেনিয়ন রেষ্টলরস এন্দ কোচেস মীটতা গোল্ড লৌখ্রে



ন্যু দেল্লী, ফেব্রুৱারী ২৮(এজেন্সী): য়ুক্রেনগী সিটি কিয়েবতা পাঙথোকপা ২৪শুবা আউটষ্টেন্দিং য়ুক্রেনিয়ন রেষ্টলরস এন্দ কোচেস মেমোরিয়ল ইভেন্ট নুপীগী কেজি ৫৩গী ফাইনেলদা ২০-১৭কী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন বেলারুসকী ভানিশা কলাদজিন্সকয়াবু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংখ্রে।

কুমজা ২০১৪ অমসুং ২০১৮গী কমনৱেল্থ গেমস অমদি ২০১৮গী এসিয়ন গেমসতা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী ভিনেশ ফোগটনা কোরোনাভাইরস লোকদাউন মতুংদা শরুক য়ারকখিবা অহানবা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট অদুদা ফজবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াবদি, ভিনেশ ফোগটনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইরবা নুপী রেষ্টলর ওইরি। ভিনেশ ফোগটনা সেমীফাইনেলদা রোমানিয়াগী রেষ্টলর অনা এবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি। ঙসি অঙনবদা পাঙথোকখিবা ফাইনেল অদুদা ৱর্ল্ড নম্বর থ্রীদা লৈরিবী ভিনেশ ফোগটনা মমাংগী কুমজা ২০১৭তা ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবী হৌজিক-হৌজিক্কা ৱর্ল্ডনম্বর ৭তা লৈরিবী য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন বেলারুসকী রেষ্টলর ভানিশা কলাদজিন্সকয়াগা লম্বা তৌনখি।

ফাইনেল বাউট অদুগী হৌরকপদা রেষ্টলর অনীনা অমনা অমগী পাঞ্জল চাংয়েং তৌনখি। হৌরকপদা ভিনেশ ফোগটনা বেলারুসকী রেষ্টলর অদুবু থ্রো তৌদুনা পোইন্ট ৪ ফংলগা মাঙজিল থাবা ঙমখি। অদুবু অথুবা মতমদা বেলারুসকী রেষ্টলর কলাদজিন্সকয়ানা য়াম্না ফজবা এটেক অমা চথুরক্লগা পোইন্ট ৪ ফংবদগী মখোয় অনীমক পোইন্ট ৪-৪ দা লৈনখি।

অহানবা ব্রেক অদু য়ৌগদবা সেকেন্দ ১০দা ঙাইরবা মতমদা ভিনেশ ফোগটনা কলাদজিন্সকয়াবু টেক দাউন তৌদুনা ৬-৪দা মাঙজিল থারগা লৈখি। অনীশুবা হাফ অদুগী ময়াই চনশিল্লকপদা বেলারুসকী রেষ্টলর অদুনা ফোগটতগী পোইন্ট ২ হেল্লগা ৮-৬তা লৈখি। অদুবু বাউট অদু লোইগদবা সেকেন্দ ৩৬খক্তা ঙাইশিল্লক্লবা মতমদা বেলারুসকী রেষ্টলর অদুগী এটেক অমা য়াম্না নীংথিনা দিফেন্দ তৌরবা মতুং মহাক্কী মায়কৈদগী পোইন্ট ৪ ফংবা থ্রো অমা তৌদুনা ভিনেশ ফোগটনা ফাইনেল অদু বেলারুসকী রেষ্টলর ভানিশা কলাদজিন্সকয়াবু ১০-৮দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান রেষ্টলর ভিনেশ ফোগটকী কোচ ওইরিবা বেলজিয়মগী ৱোলর অকোচনা ফোঙদোকখিবদা, ওলিম্পিককীদমক্তা অচৌবা ৱাখল্লোন অমগা লোয়ননা মেদলগী মীৎয়েং থল্লিবী রেষ্টলর অসিগী পর্ফোর্মেন্সতা অপেনবা ফাওখিবগা লোয়ননা মখা তানা য়ুনাইটেদ ৱর্ল্ড রেষ্টলিংগী মখাদা পাঙথোকপা সেরিজকী মনুং চন্না মার্চ ৪দগী ৭ ফাওবা ইটলিগী মাটিও পেলিকোনদা পাঙথোক্কদবা কম্পিটিসনগীদমক শেম শারগনি হায়খি।

হায়রিবা রেষ্টলিং সেরিজ ইভেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী নুপাগী রেষ্টলরশিংগী মনুংদা মাঙজৌননা ওলিম্পিক্সকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবা রেষ্টলর বজ্রং পুনিয়া অমসুং রবি ধহিয়াসু ইটলিগী কম্পিটিসন অদুদা শরুক য়াগদৌরি। ভিনেশ ফোগটনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মহাক্না শান্নখিবা বাউটশিং অদুদা মায়োক্নবা রেষ্টলর অদুগী অশোনবা মফমশিং অদু নীংথিনা মশক খঙদোক্লবা মতুং মখোয়গী মথক্তা শান্নবা ঙমখিবনি হায়রি।

## মণিপুরগী জুনিয়র মাষ্টরস অমসুং নুপীগী বোদি বিল্ডর খনখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস): মার্চ ২০ অমসুং ২১দা পঞ্জাবকী লুধিয়ানাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১১শুবা মেন্স জুনিয়র/মাষ্টরস/দিভিয়ান বোদি বিল্ডিং অমসুং অনীশুবা জুনিয়র ৱিমেন স্পোর্টস মোদেল ফিজিক/লেদিজ ৱিমেন্স স্পোর্টস মোদেল ফিজিক নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা শরুক য়াদুনা উখ্রুলগী টাউন হোলদা পাঙথোকখিবা ট্রায়ল সেলেক্সন অমদা মণিপুরগী বোদি বিল্ডরশিং খনখ্রে হায়না ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর এসোসিএসনগী মায়কৈদগী খঙহল্লক্লি।

তোঙান-তোঙানবা জিম ১৮দগী শান্নরোয় ৪০না ট্রায়ল সেলেক্সন অদুদা শরুক য়াখি। ঙসি পাঙথোকখিবা সেলেক্সন ট্রায়ল অদুদা খনখ্রবা বোদি বিল্ডরশিং অদুদি ঐচ তেলহৈবা (জুনিয়রগী কেজি ৫৫), এল রোশন (জুনিয়রগী কেজি ৬০), এম দি শাহবাজ (জুনিয়রগী কেজি ৬৫), চিঙ্খৈঙানবা (জুনিয়রগী কেজি ৭০), এম দি অসাদ খান (জুনিয়রগী কেজি ৭৫), পি মেঘজিৎ (জুনিয়রগী কেজি ৭৫ মথক), এন ওজিৎ (মাষ্টরগী চহী ৫০দগী ৬০ ফাওবগী মনুং), দিভিয়াং (ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জকী কেজি ৬৫)দা নাওরেম জয়ন্ত লোয়ননা জুনিয়র ৱিমেন্স স্পোর্টস মোদেলগীদা জেনিকা নাওরেম অমসুং লুকচানৱোননি।

## এফ সী কুম্বীনা ঈ এল এস এবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন মোইরাংনা শীন্দুনা মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা চথরিবা অনীশুবা কে বাবু মেমোরিয়ল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০২০-২১গী ঙসি শান্নখিবা ১৪শুবা মেটচতা এফ সী কুম্বীনা ঈ এল এস এবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অদুদা টিম অনীমক য়াম্না লেং মান্নরা শান্নরকপা মরম্না অহানবা হাফকী অপীবা মিনট ৪৫গী মতম অদু লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা মিনট ২০ লানশিল্লকখি। স্কোর বোর্দতা পাঞ্জল লৈখিদে। ৬৬শুবা মিনটতা এফ সী কুম্বীগী মায়কৈদগী চথুরকপা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১২ কে ঐচ য়াইফবনা অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ঈ এল এস এবু ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। পাঞ্জল মাঙজিল থাখ্রবা মতুং মতম ইকান কান্নদনা এফ সী কুম্বীগী মায়কৈদগী চথুখিবা অতোপ্পা এটেক অমদা টিম অদুমক্কী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৬ এম লিওসননা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা ২-০দা মাঙজিল থাখি। মেটচ লোইবা ফাওবদা ঈ এল এস এগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন অসিনা পাঙথোকপা অহানবা ইরাবত মেমোরিয়ল সিনিয়র বি ফুটবোল লীগতা এম এ আর দি ক্লবনা অমোফা একাদেমিবু ১-০দা থোইখি। অহানবা হাফ পাঞ্জল চন্নখিদ্রবা মতুং এম এ আর দি ক্লবকী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৪৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী জর্সি নম্বর ১৯ এল সিদার্থনা চনবা ঙমখিবনি।

## মেরি কোম স্পেনগীদমক খোঙশানখ্রে

ন্যু দেল্লী, ফেব্রুৱারী ২৮(ঐচএনএস): মমিং লৈরবী বোক্সর এম সী মেরি কোম অমসুং অতোপ্পা বোক্সর ১৩ বোক্সম ইন্টরনেসনল বোক্সিং টুর্নামেন্ট শরুক য়ানবা স্পেনগীদমক খোঙশানখ্রে।


তোঙান-তোঙানবা বোক্সিংগী অফবা শান্নরোয় পুথোকপা লৈবাক ১৯দগী বোক্সরশিংনা শরুক য়াগদৌরিবা হয়েংদগী হৌরগা মার্চ ৭ ফাওবা পাঙথোক্কদবা টুর্নামেন্ট অসিদা মেরি কোমনা কেজি ৫১গীদা শরুক য়াগনি। ঙসি অয়ূক ন্যু দেল্লীদগী খোঙশানখিবা টিম অদুদা ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সর ৮ অমসুং নুপী বোক্সর ৬ য়াওরি।

## য়ু কে সী সী এল অমসুং বি এফ এ দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা মিনি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা অহানবা (লেট) থোকচোম ইবোপিশক ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ১০শুবা মেটচতা য়ু কে সী সী এল ওইনাম অমসুং বি এফ এ নাচৌ পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

মেটচকী অহানবা হাফ অদুগী য়াম্না ওল্লিঙৈ অহুমশুবা মিনটতা বি এফ এগী এল রোহিটনা পাঞ্জল অমা চনখি। য়ু কে সী সী এল ওইনামগী মায়কৈদগী ঙন্না চনশিল্লকখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা হোৎনরকখিবশিং অদু অহানবা হাফকী মিনট ৪৫ শান্নবা লোইশিনবা ফাওবদা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।


অনীশুবা হাফকী শান্নবা হৌরকপা মিনট ৫ চঙশিল্লকপা মেটচকী ৫৫শুবা মিনটতা য়ু কে সী সী এল ওইনামগী মায়কৈদগী পুশিল্লকখিবা এটেক অমদা জর্সি নম্বর ১৭ এম অনন্দনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা ১-১দা লৈখি। মখা তাবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী মেটচ অদু দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখি।



## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE

### PUZZLE NO. 42



IM Blanco Ronquillo, Humberto L. (2442) - IM Estrada Nieto, Julian (2280)

Titled Tuesday 15th Sept chess.com INT (9), 2020.09.15

1.d4 d5 2.c4 dxc4 3.Nf3 Nf6 4.e3 e6 5.Bxc4 c5 6.dxc5 Qxd1+ 7.Kxd1 Bxc5 8.Ke2 Ke7 9.a3 Nc6 10.Nc3 a6 11.b4 Bd6 12.Bb2 b5 13.Bd3 Bb7 14.Rhd1 Ne5 15.Nxe5 Bxe5 16.Nd5+ Nxd5 17.Bxe5 f6 18.Bd4 Rhc8 19.Rac1 e5 20.Bc5+ Ke6 21.Bxh7 f5 22.g4 fxg4 23.Bb1 Rd8 24.Ba2 Kf6 25.Rg1 Kf5 26.h3...

**QUESTION :**

**Black wins in 3 moves**

Puzzle 41 Ans. :

**26**...Rxc7 **27.**Bc5+ Rxc5 **28.**Rd7+ Ke8 **29.**Rd8+ Ke7 **30.**R1 d7#

**27.**Bc5+ Rxc5 **28.**Rd7+ Ke8 **29.**Rd8+

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG**

**Ref :- Mut. Case No. 108/SDC/IW/H/2021**

Ahongshangbam Ongbi Premabati Devi, W/o (L) Ahongshangbam Ratan Singh of Ningombam Mayai Leikai.

-Vrs-

Shree (L) Ahongshangbam Ratan Singh S/o (L) Cholo Singh of Ningombam Mayai Leikai.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 12th Feb., 2021

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 76-Langthabal-Lep পাট্টা নং 327 (অরিবা) 185 (অনৌবা) গী হাল ডাগ নং 1405 and 1328 (অরিবা)গী এরিয়া 0.18 acres and 0.52 acres চাওবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 8/3/2021 ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপ্তি/ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথুরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector, Imphal West, Hiyangthang**

HL-P/9080/01

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG**

**Ref :- Mut. Case No. 109/SDC/IW/H/2021**

Ahongshangbam Ongbi Premabati Devi, W/o (L) Ahongshangbam Ratan Singh of Ningombam Mayai Leikai.

-Vrs-

Shree (L) Ahongshangbam Ratan Singh S/o (L) Cholo Singh of Ningombam Mayai Leikai.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 12th Feb., 2021

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 5-Kodompokpi পাট্টা নং 220 (অরিবা) 23/1001 (অনৌবা) গী হাল ডাগ নং 1554 (অরিবা)গী এরিয়া 0.34 acres চাওবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 8/3/2021 ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপ্তি/ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথুরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector, Imphal West, Hiyangthang**

HL-P/9080/01

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG**

**Ref :- Mut. Case No. 110/SDC/IW/H/2021**

Ahongshangbam Ongbi Premabati Devi, W/o (L) Ahongshangbam Ratan Singh of Ningombam Mayai Leikai.

-Vrs-

Shree (L) Ahongshangbam Ratan Singh S/o (L) Cholo Singh of Ningombam Mayai Leikai.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 12th Feb., 2021

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 76-Langthabal-Lep পাট্টা নং 10 (অরিবা) 692/1203 (অনৌবা) গী হাল ডাগ নং 1278 (অরিবা)গী এরিয়া 0.28733 acres চাওবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 8/3/2021 ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপ্তি/ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথুরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector, Imphal West, Hiyangthang**

HL-P/9080/01

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG**

**Ref :- Mut. Case No. 111/SDC/IW/H/2021**

Ahongshangbam Ongbi Premabati Devi, W/o (L) Ahongshangbam Ratan Singh of Ningombam Mayai Leikai.

-Vrs-

Shree (L) Ahongshangbam Ratan Singh S/o (L) Cholo Singh of Ningombam.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 12th Feb., 2021

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 4-Ningombam পাট্টা নং 188 (অরিবা) 725/726 (অনৌবা) গী হাল ডাগ নং 1259/1758 and 1259/1757 (অরিবা)গী এরিয়া 0.085 acres and 0.07 acres চাওবা ইশ্বোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 8/3/2021 ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপ্তি/ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথুরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector, Imphal West, Hiyangthang**

HL-P/9080/01